# অসামদা টি এম সিনা লোক সভা সিট মঙাদা মীরেপশিং থাদোক্লবা মীৎয়েং থল্লক্লি



**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):**
ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেস (এ আই টি সি) না হৌজিক অসামগী লোক সভা সিট মঙাদা পার্টি অসিগী মীরেপশিং থাদোক্লবা মীৎয়েং থল্বা হৌরক্লি।

সেন্টরদা ইন্দিয়া এল্লায়ন্সগী মপাঙ্গল হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা টি এম সিনা অসামগী সিট মঙাদা মীরেপ থাদোক্লনবা মীৎয়েং থল্বা হৌরকখিবনি হায়রি।

পার্টিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা পার্টি ২৬ কী ইন্দিয়া এল্লায়ন্সতা য়াওরিবা এ আই টি সিনা অসামগী সিট মঙাগীদমক্তা মরী লৈনবা পার্টিশিংগা খন্ন-নৈনবা হৌখ্রে। টি এম সিনা মীরেপশিং থাদোক্কদৌরিবা সিটশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনফার্ম তৌদ্রিবা ওইরবসু পার্টিশিংনা সিট য়েন্নবগী মতাংদা ষ্ট্রেটেজিক্কী মীৎয়েংগা লোয়ননা মাঙজৌননা খন্ন-নৈনবা হৌরক্লিবনি।

অসামদা মতম শাংনা লৈরকপনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না হেন্না খঙনবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী ফিভম ষ্টেট অসিদা ফনা লৈ হায়না লৌনরি।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কোংগ্রেসপু পার্টি অসিগী ষ্ট্রোং হোল্ড ওইরিবা মফমশিংদা কন্টেষ্ট তৌবা য়াহল্লবা য়াই হায়রি। অদুম ওইনমক ৱাফম অসি কোংগ্রেস নত্ত্রগা এল্লায়ন্স অসিগী অতৈ মেম্বরশিংগা তান্নদুনা মতুং তাবদা অশোয়বা লৈতনবা হোৎনরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না পার্টিগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অসামদা টি এম সিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রবনি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা পার্টি অসিনা অনৌবা মেম্বরশিং হাপ্তুনা পার্টিগী কম্মিটিশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি অমদি হৌজিক লৈরিবা মেম্বরশিংসু রিসফল তৌরগনি।

টি এম সিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট রিকুন বোড়ানা পার্টি অসি সিট মশিং য়াম্না কন্টেষ্ট তৌনিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখি।

বোড়ানা হায়খি, লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা টি এম সিনা অসামগী সিট মঙাদা কন্টেষ্ট তৌগনি। তৌইগুম্বসুং পার্টি অসিনা কোংগ্রেসকী সিটিং এমপিশিং লৈরিবা নত্ত্রগা পার্টি অসিগী ষ্ট্রোং হোল্ড ওইবা সিটশিংদদি কন্টেষ্ট তৌরোই।

প্রোসেস অপুম্বা এল্লায়ন্স মনুংদা খন্ন-নৈনরগা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কে এল ওগী লিঙ্কমেন ৩ ফারে

**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):**
নিংথৌকাবা নুমিত্তা অসাম পুলিসনা কোক্রাজার দিষ্ট্রিক্টতা কিহল্লগা শেল লৌনবা হোৎনবগী মরালদা অথিংবা থমখ্রবা মিলিটেন্ট আউটফিট কমাদপুর লিভরেসন ওর্গনাইজেসন (কে এল ও) গী লিঙ্কমেন অহুম ফাখ্রে।

ফারবশিং অদুদি প্রনব রাই (২১), মন্দিদ রাই (১৯) অমসুং নবৈজ্যোতি রাই (২২) নি। মখোয় অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী করিমগঞ্জ পুলিসকী টিম অমনা কাসিবারি এরিয়াদগী ফাখিবনি। মখোয়বু মফম কয়াদা নম হাদুনা শেল লৌবগী থৌদোকশিংদা চেন্নে হায়না মরাল শীখি। মখোয়গী মায়োক্তা ফক্কিরগ্রাম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

মরোল খোকপা লাই




# ত্রিপুরাদা লুপা ক্রোর ১০ রোমগী ওইগদবা ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে

**অগরতালা, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):**
ত্রিপুরা পুলিসনা লুপা ক্রোর ১০ রোমগী ওইগদবা ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই অহুম অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা ফাখিবনি। মীওইশিং অদু অসামগী বোর্দরগা নক্নবা ত্রিপুরাগী নোর্থ দিষ্ট্রিক্টকী চুরাইবারিদা ফাখিবনি।

মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা নোর্থ দিষ্ট্রিক্টকী এসপি বানুপাদা চক্রবোর্তিনা হায়খি, দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌগদৌরে হায়বা পাউ মাঙজৌননা পুলিসতা পীরকপদগী মীওই অহুম অদু ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফাখিবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না ফারবা মীওই অহুম অদুনা দ্রগশিং অদু অসামদগী ত্রিপুরাদা পুশিল্লকখিবনি।

এসপি চক্রবোর্তিনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়দা পীরকখিবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়না ষ্টেট অসিদা চঙনবা হোৎনখিবা মীওই অহুম্না তোংলকপা গাড়ী অদু দিটেন তৌখি। গাড়ী অদুদা চেকশিন্না থী হুন্বা চথবদা ব্রাউন সুগর কেজি ১.৩ অরোনবা কম্পার্টমেন্ট অমগী মনুংদা লোৎলগা থল্লম্বা থেংনখিবনি। ফারবা ব্রাউন সুগর অদুগী চাওরাকপা মমলনা লুপা ক্রোর ১০ রোমগী ওইগনি হায়রি।

অথিংবা থমখ্রবা পোৎশকশিং অদুগা কোন্ননা মীওইশিং অদুবু ফারিবা অদুনা ইলিসিট দ্রগ ট্রেদ কদায় ফাওবা শাথিবা মওংদা চথরিবগে হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। পুলিসনা ফারবা মীওই অহুম অদুদি অব্দুল আলি, সাইমল কৃষ্ণদাস অমসুং প্রসেঞ্জিৎ দাস কৌই। মখোয় অহুম্মক ত্রিপুরাগী সেপাহিজলা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবশিংনি হায়রি।

# খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চথবা হৌখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) :**
থৱায় মীরেল ৱিমেন ৱিংগী ভলন্টিয়রশিংনা শিন্দুনা ঙসিদগী শিংজমৈদা খুথাং চারা হেনবগী খোঙজং চথবা হৌখ্রে।

ঙসি অহানবগী ওইনা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং অসিদা নুপী ৯ না শরুক য়াখি। শিংজমৈ কৈথেল মনাক্তা চথখিবা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চথবা হৌরকপদা শিংজমৈ পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা মফম অসিদা দি সীগী পার্মিট য়াওদ্রগদি খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং অসি চথবীগনু হায়দুনা অথিংবা পীরকপদগী পুলিসকা ঙাইহাক নিংঙাই শঙদান্নরবা মতুংদা থৱায় মীরেল ভলন্টিয়রশিংগী খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চথরম্বা অদু হৌগৎলগা বেনর পায়দুনা শিংজমৈগী অকোয়বদা রিলে অমা চৎলল্লবা মতুংদা শিংজমৈ থোং ৱাংমদা লৈবা পব্লিক ৱেটিং সেটতা মখা তানা খুথাং চারা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখি।

ঙসি খুথাং চারা হেল্লিবা নুপী ৯ অদু হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬ ফাওবা শরুক য়াগনি। মদুগী মতুংদা মীওই ৯ না অমুক মখা তানা খুথাং চারা হেনবগী খোঙজং অদু শরুক য়াগনি হায়রি। ঙসিগী ওইনা খুথাং চারা হেনবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংদি নিংথেমচা কারোংদগী আর কে ওংবী সুনিতা, বাশিখোংদগী নেপ্রম গঙ্গা, শিংজমৈ ক্ষেত্রিলৈকাইদগী চোংথাম প্রমো, খোমদ্রাম বেম্মা, খোমদ্রাম দিমারানি অমদি এল সুমতি, সেকমাইজিনদগী থৌদাম চাওবা, য়াইস্কুলদগী লৈশাংথেম সোমি, শগোলবন্দ মবুধৌ লৈরক্তগী পি ববিতানচিংবননি।

# পাঙল ৫ না চুরাচান্দপুরগী কুকিশিংদা পীনবা পুরকপা পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) :**
ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তাবদা টিদিম লম্বীদা ইম্ফালদগী চুরাচান্দপুর তম্না কুকিশিংদা পীনবা পুরকপা পোৎলমশিং পাঙল ৫ গা কোন্ননা ফৌগাকচাও ইখাই মৈরা পায়বী অমদি খুল ঙাকপশিংনা ফাগৎখ্রে।

কুকিশিংদা মতেং পাংনবা পোৎ-চৈ পুরকখিবদা চেন্নবা পাঙল মঙা অদুদি কৈরাওদগী ১, ক্বাক্তাগী ৪ নি। মখোয়না দিজল ওটো এম এন ০৪ দি ৫১৮০, ইকো ভেন এম এন ০১ এস ৫৩১১, আই২০ কার দব্লিউ ০৬ ঐচ ৩৪৩২ অমদি মরুতি কার ৮০০ এম এন ০৭ সী ৪৪ ২০ দা পোৎলমশিং অদু পুরম্বনি।

মখোয়না পুরকখিবা পোৎ-চৈশিং অদুদি মনা-মশিং, পেক্কিং তৌরবা ষন অশেম্বা, মোবাইল ফোন অমদি এসেসরি পার্ট অমসুং নৌনা থাগদবা মরু-মরাংনচিংবা য়াওরি।

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ফৌগাকচাও ইখাই মৈরা পায়বীশিংনা লম্বীদা অচৎ অওং চেক তৌবদা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না ফৌগাকচাও ইখাই মমাং লৈকাইদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মৈরা পায়বীশিংনা ফোঙদোরকখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মৈতৈ অমদি কুকি অনিগী মরক্তা চথরিবা লান অসিদা কুকিশিংগীদমক কনাগুম্বা ফুরুপ খরগী মীওইশিংনা অচা-অথক্কী পোৎলম কয়া মমাং থক্তা পুশিল্লে হায়বা তাবদগী ফানবা শেন্নদুনা লাকখিবনি। মমাঙদসু পাঙলশিংনা পোৎলম কয়া পুরম্বগী ফাদুনা ক্বাক্তাগী লুচিংবা কয়াগা ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা অমদি করিগুম্বা তৌরম্লবদি ক্বাক্তা মীয়াম্না অফ-ফত্তগী তেকচাক পুরোই মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তা মশা মশানা পুগদবনি হায়বা ফাওবা লৈখ্রবনি।

মসিদা মখা তানা চথরম্লবদি মীয়াম্না পীবা চৈরাক মশা মশানা লৌজগদবনি। হন্দক্কী ওইনা ঙসি ফাগৎলিবা পোৎলম অমদি অচা-অথকশিং অসি খুল ঙাকপা অমদি রিলিফ কেম্পতা পীথোকখ্রগনি। করিগুম্বা মখা তানা মতেং পাংবগী থবক চথরক্লবদি মদুদা চেন্নবা গাড়ীশিং অদু মৈ থাদোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

# রিলিফ কেম্পতা নুমিদাংগী মতমদা কাঙ য়াম্না কনবনা ইনমেটশিং মীপাইবা পোক্লরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) :**
কুকি লানশিংনরকপশিংনা হৌখিবা মে ৩ দা মোরেদা লৈবা মৈতৈগী য়ুমশিং অমদি দুকানশিংদা এটেক চথরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা হৌজিক ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অকাম্পাৎ আইদিয়েল কলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা মীওই কয়া চংজফম লৌদুনা লৈরি।



ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মোরেদগী লাঞ্জেন্নরকপা নুপী অঙাং, অহল য়াওনা মীওই ৬৭৬ লৈরি। অদুগা অকাম্পাৎকী আইদিয়েল গার্লস কলেজগী রিলিফ কেম্পতনা নুপা নুপী, অঙাং অয়াওনা মীওই ৬০০ কী মথক্তা চংজফম লৌদুনা লৈরি। অদুবু অকাম্পাৎকী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেট অমনা পাউ চে অসিদা ফোঙদোরকপদা মফম অসিদা লৈবদা য়াম্না নুংঙাই অদুবু হান্না পাৎ ওইরম্বনা রিলিফ কেম্প অসিগী অকোইবদা লৈরিবা ইরম নালা অসি ঈশিং তুংবা অমদি নাপী য়াম্না হৌবা মরম্না নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা কাঙ খরদি কল্লি। অদুবু কাঙ হিদাক গোজিলা অমদি য়েরুম প্লেট কাংমৈ খুদুনা খরমখৈদি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী।

রিলিফ কেম্পকী থৌমীশিংনসু ইম্ফাল ইষ্টকী চিফ মেদিকেল ওফিসার (সী এম ও) গা তান্নরগা রিলিফ কেম্প অসিগী অকোইবদা ফোগিংনচিংবা অনিরক কাপখ্রে। মদুনা খরমখৈদি ঙাকথোকই। অদুবু য়ারিমখৈদি কাঙনা চিক্তনবা মথৌ তাবা হিদাক লাংথক অমদি ডাক্তর ফাওবা থমদুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংদি লৌখৎলি।

অমরোমদা ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা রিলিফ কেম্প অসিসু লমহাং ওইবা মরম্না কাঙ খরদি কল্লি হায়না ইনমেট অমনা ফোঙদোরক্লি। ইরম নালা ফবনা কাঙ হিদাক গোজিলা অমদি য়েরু প্লেট মৈ থাদুনা কাংমৈ খুবদা খরদি ঙাকথোকপা ঙম্মী। অনা অয়েক য়াওরকপদা মরী লৈনবা মেদিকেল ওফিসারশিং লাক্তুনা য়েংশিনবীরি। অদুবু মফম অসিদা লৈবদা খরা হেন্না শাফনবা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক শনে দারক্লিবা কাঙগী লায়না দেঙ্গীদগী ঙাকথোক্লবা অহেনবা মীৎয়েং চংবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# CROSSWORD-3949



**ACROSS**
1. Ancient writing material(7)
5. Hooded snake(5)
8. Rope fibre(5)
9. Move forward(7)
10. Fine wool fabric(7)
11. Circular(5)
12. Cure(6)
14. Eastablished way of behaving(6)
18. Defensive players(5)
20. Foolishly sentimental(7)
22. Doubtful(7)
23. In the vicinity(5)
24. Upright(5)
25. Without tears(3-4)

**DOWN**
1. After 1945(7)
2. Difficult question(5)
3. Akin(7)
4. Beer and lemonade mixture(6)
5. Insurance(5)
6. Sumptuous meal(7)
7. Modify(5)
13. Gruesome(7)
15. Normally(7)
16. Mixed(7)
17. Entertained(6)
18. Move(5)
19. Talent seeker(5)
21. Fortunate(5)

**Solution 3948**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5247**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 8 | 4 | | | 3 |
| | 3 | | 1 | 2 | | | | |
| | | | | | | 5 | 8 | |
| 9 | 7 | | | 6 | 3 | 4 | | |
| | | | | | | | | |
| | | 8 | 7 | 4 | | | 6 | 9 |
| | 1 | 5 | | | | | | |
| | | | | 5 | 8 | | 3 | |
| 6 | | | 3 | 9 | | | | 5 |

**Solution-5246**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 2 | 6 | 1 | 3 | 9 | 4 | 8 |
| 1 | 6 | 9 | 4 | 5 | 8 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 3 | 4 | 9 | 7 | 2 | 5 | 6 | 1 |
| 5 | 7 | 3 | 8 | 4 | 9 | 2 | 1 | 6 |
| 4 | 1 | 6 | 5 | 2 | 7 | 8 | 9 | 3 |
| 2 | 9 | 8 | 3 | 6 | 1 | 7 | 5 | 4 |
| 3 | 2 | 1 | 7 | 9 | 6 | 4 | 8 | 5 |
| 6 | 4 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 | 3 | 9 |
| 9 | 8 | 5 | 1 | 3 | 4 | 6 | 7 | 2 |

# EMPLOYMENT NEWS

## BRAHMAPUTRA BOARD RECRUITMENT 2023 FOR 52 ASSISTANT, ACCOUNTS OFFICER AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: -

Brahmaputra Board Assistant, Accounts Officer and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Assistant, Accounts Officer and Various Posts in Brahmaputra Board. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 3rd October 2023. Candidates can check the latest Brahmaputra Board Recruitment 2023 Assistant, Accounts Officer and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the brahmaputraboard.gov.in/ recruitment 2023 page.
Brahmaputra Board Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ brahmaputraboard.gov.in/. Brahmaputra Board selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of brahmaputraboard.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Assistant, Accounts Officer and Various Posts
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 284127 Assam
Last Date: 3rd October 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 52 Posts
Educational Qualification: The Details of Eligibility Criteria, Pay, Number of Posts, Application Form etc are available in the Board website https://brahmaputraboard.gov.in/.
Pay Scale: INR Level-13/- Per Month
Age Limit: Maximum 56 Years.
Selection Procedure: please refer to official notification.
Application Fee: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://brahmaputraboard.gov.in/vacancy-for-various-post-on-deputation/, This Job Source is Employment News 19-25 August 2023, Page No.26
Important Dates:
Published on: 18th August 2023
Last date for application is: 3rd October 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NIT NAGALAND RECRUITMENT 2023 FOR TECHNICIAN, TECHNICAL ASSISTANT

Vacancy Circular No: NIT-N/RECT-NT/2023/02
National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Technician, Technical Assistant Recruitment 2023
Advertisement for the post of Technician, Technical Assistant in the National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st August 2023. Candidates can check the latest National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment 2023 Technician, Technical Assistant Vacancy 2023 details and apply online at the www.nitnagaland.ac.in recruitment 2023 page.
National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nitnagaland.ac.in. National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Nagaland. More details of www.nitnagaland.ac.in recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Technician, Technical Assistant
Job Location:
Chumukedima, Dimapur, 797103 Nagaland
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification:
Technician: Senior secondary (10+2) with Science from a Government recognized board with at least 60% marks Or Senior secondary (10+2) from a Government recognized board with at least 50% marks and ITI Course of one year or higher duration in appropriate trade. Or Secondary (10) with at least 60% marks and ITI Certificate of 2 years duration in appropriate trade. Or Diploma in Engineering of three year's duration in relevant field from a Government recognized Polytechnic / Institute.
Technical Assistant: First Class or equivalent Grade in B.E. / B.Tech./ MCA in relevant subject from a recognized University / Institute. Or First Class Diploma in Engineering in relevant Field with excellent academic record Or First Class Bachelor's Degree in Science from a recognized University or Institute Or Master's Degree in Science from a recognized University or Institute with at least 50% marks or equivalent grade.
Pay Scale: INR 21700-35400/- Per Month
Age Limit: Maximum 30 Years.
Application Fee: The Application Form should be enclosed with prescribed application fee of Rs.500/- (Five Hundred Only) for General/ OBC category in the form of Demand Draft/ Indian Postal Order in favour of IRG, NIT Nagaland payable at State Bank of India, Chumukedima Branch, Dimapur. However, SC/ST/ DIVYANG (PH) candidates are exempted from payment of the prescribed fees subject to submission of relevant certificate issued by the competent authority.
Selection Procedure: please refer to official notification
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.nitnagaland.ac.in/index.php, This Job Source is Employment News 12-18 August 2023, Page No.04.
Important Dates:
Published on: 10th August 2023
Last date for application is: 31st August 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




ৱারী মমিং : ক্লারুবাক
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

